

*"ঐখোয় ময়াম*
*গাড়ী তোংদুনা চৎলি...*
*অদুবু কাংখোঙদি য়াওদে*
*তোংলিবা গাড়ী অসিদা।"*

*- রতন থিয়াম*

*(মাঙখ্রবা সহরগী লোইখ্রবা ৱারী)*

## মীকপ থোরকখি

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

তূমলুরে ঐ মতম খরা,
মীকপ থোরকপদা
নুমিৎমক্তি তারমদ্রি।

ঐগী নুপীনা হৌদোরকখি
তারবরা নঙবো তারবরা
নঙ মঙলাক্লরে
মীকপ থোক্লো ।

ঐ লেঙবা ঙমদে পাঙ্গল থোক্তে
ৱাখলদদি লোয়নমক পাঙথোক্কে খনখি
ৱাখলতা মঙাইখি।

অদুদগী ঐ মীকপ থোরকখি
হুমাং অনপ্পী কাংলমখি
হকচাং পূন্বা
পুমচোৎ চোৎখি।

মায়-মিৎ খোঙ খূৎ
অমোনবা খুদৈ মচা অমনা
তৈথোক নান্থোকখি
মাগী তনৌ তনৌরবী
খূৎশাশিং অদুনা ।

ঙহাক ইঙাও ঙাওনা
য়েংই লৈনা লৈনা।

## মতমগী শৈরেং

**—ডা. শশীকুমার য়ুরেম্বম**

হৌরো হৌরো হৌরো
তুমখুন হুল্লগনু মতমসিগী নহারোলশিং
অমম্বা অহিংগী অৱাবা ঈপাক্তগী
কুমজা কয়া লৈরুবৈ ইরোলনুংদা
থাদোক্লখি পূন্নমক অনম অহা
ঙসিদি মীকপলোনে ইনুং ঙাল্লে ।

অঙনবা অয়ূক্কী অঙানবা মালেমদা
খূৎতা খোর্জে মাঙদা কোর্বাক
শৈথামিন্নরসি ইমাগী শৈরোল নীংথিবশিং
চৎখ্রে ঙসিদি অমম্বা অহিং
লুবাকনুংদা করি তাবুনুংদা করি
খঙমিন্নরসি পূন্না থিমিন্নরসি ঐখোয় ।

অখঙবা শান্নরগুমসি খঙদ উদনা
অপূনবগী শক্তিনা, মীয়ামগী খোল্লাউনা
পাউজেনমিন্নরসি মালেমদা শরা শন্না
ইমা অমতগী মচানি হায়বদো।

## অচুম্বা

**—কে ঐচ দেবলা**

লেপ্পা লৈতে ঙসিসু লান
নীংশিংখিদরে ইপু ইবেনগী ফুঙ্গাৱারী
থৱায় কয়াগী পুন্সি, লানগী লান ঙাক্তা
পলেম পন্থৌগী পারী নুংশিবা
নাপ্পা খোয়জংনা তারেদো
পলেমগী মৱা ইপাওসে
অরান অহুইতনা য়োল্লবা মহাক্তো
লৈরল্লিনি লানফমদা
লান্মী তেঙ্গোল কয়াগা লোয়নদুনা
অশাউবগী নোংথাং কুপ্লদুনা।

খূৎশু থাঙলেন হাইগৎলুগনু লানফমদুদা
অঙাংবা ঈখেং চেন্থফদেদো
তাহৈদবনি থৱায়গী মীকপ মীরাওখোল
নমীনা মচু তরেৎ খল্লিবা
পারী নহাক্কী কোলোয়দি
মপু মাগী কোলোয় মিংলেননি।

মপু মাবু য়াকাইজৌ
তাকপীরক্কনি তাইবঙগী অচুম্বা লম্বীবু
মপু মানা তাকপীরকপা
অচুম্বগী পাক চাওরবা লম্বীদুদা
নৱা অঙাং পীক্লিঙৈ
হৈনা খোঙথাং তম্বীবগুম্না
খূৎশম্নদুনা পুরকউ অরান অহুই মহাক্তো
অফবা মপোক অমা ফংনবা
ৱাংলেন মীকুপ অমতং ওইরবসু
মোমোন মীনোক তমজনবা।

## পুবিরো ঐবু

**—ইরেংবম বেনুবালা**

হে তাইবঙগী মপু ও
পুবিরো ঐবু মঙলৈপাক্তুদা,
অহিং নুংথিল খায়দ্রবা
অৱাৎপা কৌবা লৈত্রবা
নঙগী খুয়া খাদুদা।

ইবুঙো নহাক্লা শেন্বীবা
ফজরবা নুংশি তাইবঙসিদা
উরে উহৈদবা ঙাক্তা,
মানা মানা হৈনবা
অনিংবা অপান্বতনি তৌরিবা।

খন্নদে কনানসু ৱাখলসে
অচুম অরান ৱায়েন্নবা
লৈরি তাইবঙগী মপু,
লাইনীং পাউতাক নীংশিংদ্রে
খন্নে অনিংবনা অহেনবনি।

ঐবু শেন্বীবা মপুবু
ঐনা থাজবা থমদ্রবা
মশানা মশাবু থাজদ্রবনি,
মশাবু থাজদ্রবা মহাক্তো
খলমগদ্রা অশেংবা ৱাখল?
অশেংবা লৈত্রবা থম্মোয়দুদা
চেল্লমগদ্রা মীনুংশিগী ৱাখল?
নুংশিবা অশেংবা লৈত্রবদা
লাইনীংগী ৱাহন্থোকপু লৈরিদ্রা?

## নীংশিংদ্রে

**—নির্মলা রাজকুমারী**

কপখিবরনে ঐবু
করিগুম্বা মতম অমদা,
নীংশিংদ্রে ঐদি
কপখিবা মীৎকুপশিংদো
নুংঙাইবনা মরোল মরোল
নাইনা লাকপসিদা।

তূমখিদবরনে ঐবু
অহিং কয়া অমা
নীংশিংদ্রে ঐদি
তূমখিদবা অহিংশিংদো
নুংঙাইনা তূম্বা ফংলবসিদা।

## মপু পান্দ্রবা লৈকোল

**—মেঘ কোলোম**

চন্নখি লৈনম পোমশাৎননা
কেন্নরি খাঙুথক্তা চোইজাইননা
উফুল্লক্তা নৌজরিবী লৈরাংনা।

শাৎঙমদে লৈনারক্তা লোন্না
কাউথোক্লে শেল্লে লৈখোক্লি
খাংঙমদা কল্লবা শাহুল্লক।
নীংতল্লা পূক্লিংগী লিচিংলক
পোমশাৎনবী লৈরাং কয়া
চোইজাইনরি মচোয় মচোয়
খুনগৎপীদা কনাগী খূৎশানা
খুনগৎপীদা কনানা উফুলক্তে
চৎনরি নেত্তুনা লৈনাথক।

লৈতে তেংথাবীনবা কনা
তেংথাহৌরি লৈখোক্তুদং পান্বীদুগী
শিন্থহৌরি পিরাং অরোনবা।
কেল্লক্লি লেপ্পাইদা লৈমায়থক
অওনবা তাইবঙ নোংলৈলক
ঙাকপী শেনবীদ্রবী লৈরাংশিং
উররোই নিংথিবী লৈশক
তাররোই নুংশিবা লৈনম
মপু পান্দ্রবা লৈকোনদুগী।

## ঊচিগী হৈশিংবা

**—জিতেন ওইনাম্বা**

মমিৎ নীংথিনা পাঙদুনা
তাইবঙগী মচু উদ্রিবা ঊচি
ময়াম চঙদুনা দোলাইদা থাংগৎলি।

কাউথোকখ্রে মাবু
দোলাইদা থাংগৎলকপশিং
মথক য়ৌবগী নুংঙাইজবদুদা
নোংথক্তগী কিশি থোক্তনা
থাদরকপা অচৌবা পোৎয়োম
হোনজিল্লি হোনজনবা য়াবা মখৈ,
মীয়ামগী খূৎ য়ৌরকপদনা
মৈখু ওন্থোকই।

'খঙগনি লাংওন অমা লাকপদা' হায়নরকই
অদুবু শেলনা হেক্তা মেনখি
কাথোক্লকম্বা চীনবান।
কয়াদা হৈশিংলিবা ঊচিগী য়াৱাদা
কয়াদা থুনা পঙথরিবা মীয়ামনো ?

# তোর্ব্বান্দুদা

## (নুংশিবগী লিপূন্না পুল্লিঙৈ কৈদৌনুংদা লাপ্নরোই উৎলিবা নোবেল মচা অমা)




পাউদম্নিবাঃ সলাম তোম্বা

| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | তোর্ব্বান্দুদা |
| মখল | ঃ | নোভেল |
| অইবা | ঃ | চোংথাম দীপু |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৫ |
| অফোঙবা | ঃ | অশাংবা কম্যুনিকেসন, ইম্ফাল |

**ঐখোয়না** নোভেল ইগে হায়রবদি তঙাইফদবা পোৎশক অনীখক চঙই। অহানবদা 'মওং' (ফোর্ম) অদুগা অনীশুবদা 'মশক লাকপা' (টেক্নিক) । এস টি কোলেরিজনা 'মওং' বু অনী থোক্না খায়দোকই- মেকানিক অমসুং ওর্গানিক। নোভেলগী মওংদি মেকানিক ওইফম থোক্তে, ওর্গানিক ওইগদবনি হায়নসু মানা হায়রি। মসিগী ৱাহন্থোক্তি অইবদুগী নুংগী অপাম্বা মওংদা মতোমতা শাৎকায়রক্কদবনি। ঐখোয়না পাত্র অমগুম হান্না শেমদুনা থম্বা য়াদে অসিনি। অদুগা টেক্নিক্কী মতাংদনা রে বি ৱেষ্টকী ৱা য়েংবা য়াই। মানা হায়, 'টেক্নিক হায়বসি অইবদুনা মানা পাল্লিবা পন্থুং অদু তাল্লকপদা শীজিন্নরিবা উপাই অদুনি, শম্না হায়রবদা অইবদুগী হৈ-শিংবদুনি। অমরোমদা ফোর্মনা করি ইসিগে খল্লিবদুনি। অদুগা টেক্নিক্না কমদৌনা ইসিগে খল্লিবদুনি। মদুগী মতাংদা কনা অমনা লমচৎ শেন্বদা মায় ওনশিন্নে। অদুগা কনা অমনা ৱারী নুংশিনবদা খনবা য়াওরি। তশেংবদি নোভেল অসিদি মচাক অমখক লৈরগা য়াদে, অদুনবু হায়নরিবনি, নোভেলদি মখোঙ মরি পানবা শক্তমনি। ৱারী, লমচৎ, ডাইলোগ অমদি লম শৈথাবা (দেস্ক্রিপ্টসন)। মরি অসিগী মথক্তা অইবদুগী ষ্টাইল হায়বা অমসু লৈরি। অমা হেক ৱাৎপদা মখোঙ তেক্লবা নোভেল অমা হায়বদু ওইখিদৌরিবনি।

ঐনা ৱাফম খরসি পঞ্জরুবগী ৱাসি চোংথাম দীপুগী নোভেল মচা অসি পারুবদা ফাওরকপা ৱাফম অদুনি। ঐনা নোভেল মচা হায়জবগী মরমদি লাইরিক অসি লামায় ৮২ খক্তা পাল্লি হায়বগী থোইনা নত্তে, মরমদি নোভেল অসিদা শুপ্নগী লমচৎ অনীখক্তা য়েক্লবা হোৎনবগীনি। মিৎয়েং অতৈদা ফাদোক্তবা অদুগীনি। সব-প্লোট শেমদুনা মশা-মরেং ফন্দোকপগী মহুত্তা দীপুনা লমচৎ অনীসিগী ৱারী পরীংদু তুরেল ঈচৈলগুম চেন্থহল্লি, লমচৎ অনী অদুনা তোর্ব্বান অমমম ওইরগা। তোর্ব্বান অনীদি কৈদৌনুংদা উনররোই। অদুমক্লি ৱারীগী পোলোইসু থুংনবা, উনবা ফংখিদে, কায়নবনা পোলোই ওইবা নুংশিবা ৱারীনি।

অদুবু দীপুগী ফজবা কদায়দা লৈ থিবা তারবদি উনফম থোক্ত্রবা তোর্ব্বান অনীদু উনহনবা অসিনি। অমতা ওইহনবা অসিনি। মসিনি আর্ট হায়রিবদু, মসিনি কলাগী ফজবা হায়বদু। ওইথোক্লরোইদৌবা পোৎ অদু ওইথোকহনবনি, হৈ-শিংবা হায়রিসি। অদুদি কমদৌনা উনহল্লি, কমদৌনা ওইথোকহল্লি হায়বদুদি ৱারীসি লোইবফাও পাবা তাই। থেংনগনি লিরি খোইরিনা ৱারী অমা চেল্লম্বা। মপূং ফানা শাৎকায়রবা থম্বালগী ৱারী নত্তে, পোমশাৎনরিবী, অয়ূক্কী লিক্লা চোৎলিবী চনুরা অমগী ৱারীনি। মাগী মক্ত্রবা লমচৎ, মাগী মক্ত্রবা ৱাহৈ, মাগী মক্ত্রবা থমোয়না হুমদুনা পুখিগনি অপাবা খুদিং। ওন্থোক্লা নুংশিখ্রবী নুপীমচা অমগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা নোভেলনি।

দীপুগী ফজবা অমতংগা হায়বা তারবা, তোমথিন ওইবা মওং অমতং পনবা তারবদি হেক হৌবদা মফম অহুমগী পাউ চপ মান্ননা অমুক্তদা পাউদম্বগী ষ্টাইল অসিনি। অমনা কৈবী গাড়ী থাফমদা ময়ূমদা হল্লিবা পাখঙ অমা, অমনা পাখঙদুগী মমান্নবা অমনা মচেগা লোয়ননা লাইরিক মেলা য়েংলিবা, অমনা বেঙ্গলুরুদা মরুপ অমনা থবক মফমদগী লৈফম তান্না হল্লকপা। ৱারী খূৎলি ফজে। মরুপ অহুমসি অমত্তা ওই, থাদোক্ল দে, লাইরিক তম্মিন্নরকই, থমোয় তিন্নে হায়বদু ৱারী খূৎলি অসিনা তাক্লি। অনৌবা টেক্নিক্লি। অদুগী মথক্তা ডা. কমলগী মতৌগুম, ৱারী হৌরমদাইদা শৈরেং মতেক অমনা ইনভোকেসনগী মওংদা পীরি। মসিসু চানৈ।

ৱারী মপূংদি ক্লাস এলবেন তল্লিবী দিপিতা হায়রিবী নুপীমচাসি হেক উরুবদগী ঙাওজবা দয়ানন্দ হায়বা ক্লাস ত্বেলফ তম্বা অসিগী চমজবা, ইঙাও ঙাওজবা ৱারীনি। মখোয়নীমক রোয়েল একাদেমিদা তম্মিন্নবনি। ছাত্র-ছাত্রিগী ৱারীনি, ইনখৎলকপগী লৌথুপ-লৌকোই লৈতবা মচৎ ঙাক্তনি। অমোৎপা, অমাংবা ৱাখল অমা পক্ত্রবা ৱাঙাংনি। লমচৎসুনি। লাইবক্লা তম্বা হায়বা তাই, থিনরুবদদি মখোয় অনীমক খুল অমত্তদগী ওইরল্লে। পৌরাবী খুলগী খা ৱাং অনীদা লৈনবা, চথোক্লদবা, লাইরিক্তা হোৎনবনা শক মুন্না খঙনদবা ওইরল্লে। অইবগী খূৎশেম্নি। সুম সুম চন্না লোয়নরকপনা দয়ানন্দ বি এ লোইরে। দিপিতাসু হায়দ্রবাদতা নর্স তম্লুবদু লোইরক্লে। অমনা ট্রেন্দা ময়ূম পাংলক্লি, অমনা ইম্ফাল চৎলুবদগী পৌরাবি য়ৌবা কেন্টর অমা তোংলক্লি। ৱাখলদি চপ মান্নে। দিপিতাসু অদুক শাংখ্রবা ট্রেনগী লম্বীদু ৱাদে, মাগী থৱায় ওইরিবা দয়ানন্দ উনরুরনি, মখোয়নিগী থুংনবগী মতম লাক্লে খন্না নুংঙাইনা লাক্লি। দয়ানন্দসু দিপিতা উনরনি হায়বগী ৱাখলদা কেন্টর তোংলি কাউজরি। অদুদি কমদৌখ্রবা। দিপিতানা য়ূম য়ৌরকপদদি দয়ানন্দ তাইবঙ থাদোক্লম্লে। কমদৌনা? পৌরাবি য়ৌরমদাইদা ফুমদুনা থল্লম্বা বোম অমা পোকখায়রক্তুনা কেন্টর অদুদা তোংলকপা মীওই তরেৎ শিবদা দয়ানন্দ য়াওখ্রে। করি ওইফম থোকই। কপ্পা নত্তনা করি অমুক তৌরুরনি। দিপিতা খাঙবা ঙমখিদে। ইকায় ইকি হুন্দোক্তুনা দয়ানন্দগী শুমাঙদা চেল্লক্তুনা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদু কোন দুনা কপ্লরে। অদু মঙায় নুংশিবগী মফমদা পীফম থোকপা নুংশিবা। মতাংদুদা লোইরম্বা থোক্লবদি নোভেল অসি অতৈগা হামু হামুনি হায়রদৌবনি। অদুবু অইবা দীপুনা তোর্ব্বান অনী উনহল্লকই থৱায়গী লমদমদা। দিপিতা তাইবঙ পূন্বা উরক্ত্রে। মাগী দয়ানন্দদা কৎখ্রবা থৱায় পুদুনা দয়ানন্দগী য়ূমদা অমুক চেল্লক্লে। দয়ানন্দগী ইমাদা লৌশিনবীনবা কপ্লরে। মৌ ওইনা লৈখ্রে। দয়ানন্দগী মথৌ মঙম মানা লোয়নবী ওইনা পাঙথোক্লে। কয়াদা থমোয় চেৎখ্রবী লমচৎ অমনো দীপুনা য়েক্লিবা। ফজে, অনৌবা থিম অমনি। নহা অইবা অমদগী অসিগুম্বা ৱারী শেল্লকপা অফবা খুদমনি ঐখোয়গী নোভেলগী লম্বীদা।

য়াম্না মরু ওইরিবা ডাইলোগকী শরুকসু অদুম ফজবা য়াওরি। ডাইলোগতি খরা য়াম্মনখ্রে। অঙাংগী ৱাঙাঙ ঙাক্তনি। লৌথুপ লৌকোই লৈতবা। দোং দোং, অনীং অনীংবা। অমতং য়েংবা য়াই ঃ

| | | |
|---|---|---|
| দয়ানন্দ | ঃ | অদো, নঙ চৎলমদাইসিদা খুদোল অমতা পীবা ঙমদ্রে। |
| দিপিতা | ঃ | তানিংদে, পিদ্রসু য়াই,... অদুগী শরুক জ্ঞান তানা লৈরম্মু। শকফজবনিনা নুপী অমনা অমুক ঙাওশিল্লক্কনি, ঐদি সিদা লৈররোই, উররোই কমায় তৌনি। |
| দয়ানন্দ | ঃ | অসিবো, ঙাওশিল্লক্লোইদা |
| দিপিতা | ঃ | তম্বা ঙম্ব্রো, শোয়দনা ঙাওশিল্লক-ও! মাঙজরেনে। |
| দয়ানন্দ | ঃ | ঙাওরল্লগনা নুপী থিরেদনা। নঙসু পাখঙ অমা য়েংখ্রো হায় তারেদনা। |
| দিপিতা | ঃ | অতোম্বী ওইনি হায়রল্লদি! |
| দয়ানন্দ | ঃ | খঙদ্রে ! |

কয়াদা নুংশিনা, ইচম চম্না, ঙাঙনখ্রবা, তাবদা অদুম নুংঙাই।

অদুবু লোইশিল্লকপদা ৱাহৈ অমতংদি দীপুদা হায়নীংঙি। নোভেল ওইহনসি হায়রবদি নোভেলগী শাহৌ খরদি চঙঙি। কনফ্লিক্ট, ক্রাইসিস, ক্লাইমেক্স মথঙ মথঙ। অদুগী মথক্তা মিত্তা শংশং উগদবা দেসক্রিপসন। ইয়াও য়াওদবা ওইনা তৌই। ৱারী ফজরগা, নুংশিরগা নোভেলগী শাজৎ য়াওদনদি অৱাৎপা লৈরে হায়নখিনি। নোভেল প্রাইজ ফংখিবা অমেরিকাগী অইবা হেমিংৱেগী মমিং লৈরবা নোভেল মচা 'দ ওল্ড মেন এন্দ দ সী' হায়বদু ফজবদা লোইরে, নুংশিবদা লোইরে। অদুবু ক্রিটিকশিংনা মসিদি নোভেল নত্তে, ৱারীমচানি হায়না চৈবী। মরমদি ৱারী নুংশিবখক্লা য়াদে। অদুনা দীপুগী অসুক নুংশিবা ৱারীসি ৱারীমচা অশাংবা অমনি হায়নরকপসু য়াই। অদুগা অমনা ৱাহৈ খরা থেংনৈ, চোংলরোইগে, হায়খিরোইগেকো, হায়ররোইগে, থোরক্লরোইগে অসিনচিংবা। মসিদি খোরিরোলদা চঙলকপা চেকশিন্নরিবা মতাংনি। নহারোলনা পংঙাং ঙাঙনরবসু। অসিগুম্বসিসু খরা য়েংশিনহন্নিংবা লৈ। মসি ফনা ওইদুনসু দীপু নোভেল ইরগে চোংথোক্লক্লবা নহা অইবনি। তরাম্না ওকচরি। মথঙগী মপূং ফাবা নোভেল অমা খৌরাংনা ঙাইরি।

## হন্দোকপা

# 'অপুনবা চাকখুম'

### অজিত অনুভুতিনা ইবা হিন্দী ৱারী মচাগী লাইরিক 'কান্টি কা কফন' দগী লৈমপোকপম বেদান্তীনা মীতৈলোলদা হন্দোকপা

**ঐখোয়না** অঙাং ওইরিঙৈদা ইমানা চয়োল অমগী মনুংদা নুমিৎ মরিনি চরা হেনবগী নুংগী ৱাফম খঙলমদে। ঐখোয়না খনখিবসি ঐখোয় ইমাসি লাই য়াম্না নীংই, তৌবমকসু মদুমক্লি। য়ূমদা লৈরিসি ঐখোয় মরিনি ইমা, নিখিল, অবিনাশ অমসুং ঐ। ঐখোয়গী ইরল-ইথুম হায়ববু শুপ্নতংগী কা অনী, বেরেন্দা অমসুং চাকখুমদং লৈবা য়ূম মচা অমখক্তংনি। য়ূমগী হেক মমাঙদা লৈবা লৈঙাক্কী স্কুলদা অবিনাশ, নিখিল অমদি ঐ লাইরিক তম্মী। ইমানা নুমিৎ চুপ্পা অমা মীগী য়ূমদা কোললিক-ৱাইরম শেংই, থবক শুই। ইনাকখুনবা ইমুংগী অরেম্বা অচা-অথক পুরগা লাকই। নিখিলনা ইমাদা হায় "ইমা! তলনেনা তঙ্খাই-তঙ্খাই, চাকসু খজিক্তং, এঙ্গাংসু মচিৎ-মচিৎ করিনো তৌরিসিবো।" ইমানা ঐখোয়বু ওন্থোক্লা নুংশিনা পীজখ্রে, অদুগা অরেম্বা খরদুনা মানা চাই। অপীকপা অবিনাশনা শঙ্গোম থক্লিংদুনা কপ্পী।

ইমানা নুমিদাংদা ঐখোয় অহুমবু ৱারী লীদুনা তাহল্লি, সিগী ৱারীসি মানা য়াম্না তোয়না ঐখোয়দা লীবি "শক ফজবা নিংথৌমচা অমনা অমুকখক শা তানবা শুম চৎপদা য়েক্লবা নিংথৌগী কোনুং য়ৌরুরে, মফমদুদা মানা নিংথৌগী মচানুপী শকহেনবীদুগা থেংনরুরে। মখোয় অনীমক ইনখৎলক্লিবা নহা ঙাক্তনি, মশকসু লোইনা ফজে... মখোয় অনী লুহোংলগা নিংথৌ মচানুপীদুগী মনাক্তা লৈদুনা ময়ূমদা হন্দ্রে। নোংমদি মপা নিংথৌনা ইনশিনবদগী নিংথৌ মচানুপীদু চাক-ঈশিং অমত্তা চাখি-থকখিদ্রে। নিংথৌ মচানুপাদুনা মানা চরা হেনবগী মরম হংলুবদা হায়রকই 'নঙসি নশকসু ফজে অদুগা লমচৎসু ফজে, থম্মোয়সু য়াম্না থোৎলি অদুনদি নঙবু পোক্লিবা নিংথৌ পোকপীদুগী থম্মোয়দি কয়াদা থোৎলমগদবা? ঐ নহাক্কী ইমাগী থম্মোয় পাম্মী... নৎত্রবদি ঐ চাক ঈশিং অমত্তা চাররোই-থক্লরোই।"

নিংথৌ মচাদু করিমতা খন্থবা তৌদনা শগোল অঙৌবদুদা তোংলদুনা মাগী মপাবুংগী কোনুং তম্না চৎলি। অহিংগী মতমনি অদুবু থাবল ফবা অহিং ওইবনিনা য়াম্না শেংনা-শেংনা উবা ফংই। অহিংগী থোঙশঙবশিং মাগী মাগী মথৌ তৌরি। নিংথৌমচাদু মমাগী শঙ্গাইদা চঙলকই। নিংথৌপোকপী অমদি মনাই মশল লোইনা তূল্লি। নিংথৌমচাদুনা য়াম্না ঈংনা তপ্না মমাগী থম্মোয়দু লৌথোক্লগা চৎপা হৌরকই। পাখৎনা থোঙজিল হেক কান্থোকপদা নিংথৌমচাদু মখোঙ লৌশিন্দুনা তুগে হেক তৌই, মতমদুদা মাগী থম্মোয়দুদগী খোঞ্জেল অমা তারকই 'ইবুংঙো শোক্তি শোক্তেকো...।'

নিংথৌমচাদু মাগী নুংশিবী নুপীগী মনাক য়ৌরক্লে, থম্মোয়দু উবদা মা য়াম্না হরাউরে অদুবু থুনমক দুর্গাগী শক্তম লৌরদুনা হায়রকই 'নঙবু থা মাপন নাউপুদুনা পোক্লগা, য়োক থাক্তুনা চাউনবা য়োক্লক্লিবা থম্মোয় শেংলবী নিংথৌপোকপীদুগী থম্মোয় লৌথোক্তুনা পুরক্লি! ঐখোয়গী অপাম্বদি নখোয়গী লৈবাক অদু ঐখোয়গী মখা পোলহনবনি... নঙদি মীচমদগীসু হেন্না তোল্লি। মমাবু ঙাকপা ঙমদ্রবদুনা ঐবু করম্না ঙাক্কনি? চিরবা তাঞ্জাদা নঙনা ঐবু ঙাকপী শেনবীবা করিসু ঙমলোই। চৎখ্রো চৎলো, ঙসিদগী নঙগী লৈবাক ঐখোয়গী মখা পোল্লবনি...।'

নিখিলগা অবিনাশকদি ৱারী তানা-তানা তূমথখি। অদুবু ঐদি কৈদৌবগীনো খঙদে তূম্বা শুকয়া য়াদে। ইমানা হংই 'সৌরভ তূমল্লবরো?' ঐনা কপনিং-কপনিং তৌনা খুম্মী 'উম, তূম্মু য়াদ্রে ইমা।' ইমাসু তূমথখ্রে, মাদি নুমিৎ চুপ্পা অমা মীগী কোললিক ৱাইরম শেংবদা ৱারবনি। অদুগীসু মথক্তা ঐখোয় ইচিন-ইনাও অহুমগী য়োকপা থাকপগী থবক। ইনাওনুপা অতোম্বা অবিনাশনা য়াম্না পীক্লিঙৈদা, স্কুল কাবকা হৌদ্রিঙৈদদি ইমানা মাগী থবক শুফমদা পুরগা চৎলি নৎত্রগনা য়ূমলোন্নবদা শান্নদুনা লৈ...। ইপাগী মরমদা খঙবা হায়ববু মা মহাজন অমগী দুকান্দা থবক তৌই সিদনি। নোংমা নুমিদাং অমা পুলিস লাক্তুনা হংলৈ 'দীনুগী য়ূমসি করম্বনো?' ইমানা য়াম্না পাখৎনা হায় 'সিনি' পুলিসনা হায় 'নঙগী নপুরোইবদু লম্বীগী এক্সিদেন্ট অমদা...।'

অঙাং ওইরিঙৈগী থৌদোক কয়াদু হৌজিকসু নীংশিংলি, শান্নবা মতমদা নিখিলনা ঐবু য়াম্না ফুই। য়ূমলোন-কৈরোন্নবগী ইমান্নবশিংনসু মাবু য়াম্না কি। মা য়াম্না শাউগল্লি অদুবু ইয়াম্বগী অফবা মগুণ অমনা ঐঙোন্দা মীনা খৎনবা হৌরক্লবদি মানা মীদু লেম্না থাবগী ৱাদি লৈত্রে। অদুনা ইমান্নবশিংনা ঐঙোন্দা খৎনবা পাক হৌদে। নিখিলগী মওং মতৌদা ঐনা য়াম্না য়ানিংদবা অমনা নাওরীনা উচেক কাপ্পা।

উচেক হায়রগা ৱাফম অমসু নীংশিংলক্লে... ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা ঐখোয় য়ূমগী শাইজিন্দা উচেক অমগা মচা অপীকপা অনীগা মকোল শাদুনা লৈ। ঐনা নুমিৎ খুদিংগী তেঙ্গোৎ মচা অমদা ঈশিং খরা হাপ্তুনা হেক-হেক থম্মী। উচেক মপীদুনা পাইরুরগা ঙাইহাক-ঙাইহাক লৈরগা হঞ্জিল্লক্তুনা মচিন্না মচাশিংবু মরু-মরাং পীজে। অশেংবনি ঐনা উচেক্তুনা মচাশিংবু খোম পীথকপা উদ্রি। নুমিৎ খরনিগী মতুংদা উচেক মচা অনীদু মপূং ফানা চাউরে অদুগা নোংমদি কদায় য়ৌনা পাইখ্রবনো খঙদে... পাইখ্রে। অদুবু উচেক মপীদুদি শাইজিনগী মকোন্দুদা মথন্তা লৈহৌই। ইয়াম্বা নিখিলনা নাওরীনা কাপ্পীখিগদ্রা কিবদগী উচেক মকোলগী ৱাফমদু মঙোন্দা হায়দোক্ত্রে।

চহী অমগী মথংদা চহী অমা, ঐখোয়সু ক্লাস অমগী মথংদা ক্লাস অমা। নিখিলদি এঞ্জিনিয়র ওইরে অদুবু অতোম্বা অবিনাশতি ক্লাস আইটতগী মখা তমথবা ঙমদ্রে, ঐসু এম এ তল্লি। ঐখোয় অহুম পাখঙ ফারে, কৈরোয় লৈকায়নসু ঐখোয়বু ইকায়খুম্নবা হৌরক্লে। ইয়াম্বা অহলনা এঞ্জিনিয়র হেক ওইবগা ইমুংগী ফীভমসু ফগৎলে। চরা অমা ফাওবা নিংথিনা চাবা ফংলমদবা ইমুংসিদা অহাও-অহাওবা মখল-মথেলগী চিঞ্জাক চাবা ফংলে। অমনবা য়ূমদু মীনা য়েংবা য়াবা য়ূম ওইরে। ইমুংসিদা ইহান হান্না টেলিভিজন, মথংদা ফ্রিজ অদুগী মতুংদগীদি নুংঙাই-য়াইফবা অকে-অমৌগী পোৎ কয়া অমা লাক্লে। ইয়াম্বদু মীয়াম্না ইকায়খুম্নবীরে, মদুগী মতুং ইন্না ঐখোয়বুসু। হৌজিক্তি লৈকায়গী ইমা-ইন্দোনশিংনা হায়, য়নতারাগী হোৎনজবা মহয় য়াল্লে। ইমানা নোংমনা শিব মহাদেবগী, নোংমনা সন্তোসী ইমাগী চরা হেল্লি। তশেংনমক ইমানা ঈশ্বর নীংবগা লোয়ননা পৈশাসু তুংশিল্লিবনি, ৱাফমসি ঐনা চাউরক্লগা খঙখিবনি। ঐনা কোলেজদগী হল্লকপদা য়ূমদা কনামত্তা লৈরমদে, ইমাগী চরা হেনবগী নুমিৎসু তাই, ইমাগী কাদা লাই ময়াম অমগী ফোটো লৈরি, ঐ নীংশিংলি নুমিৎতু নিংথৌকাবনি। ইমানা শিব মহাদেবগী ফোটোদুদা য়েংলদুনা হায়রি - হে শিব, ঐনা চরা হেন্দুনা ইমুংগী য়াইফনবগীদমক নঙগী পুজা তৌজবনি। ইচানুপা অহলগী লুহোংবা পাঙথোকপা ঙমহনবীয়ু অদুগা ভোলে শঙ্কর ঐনা হেক পামজবদি ইমুংসি ইংনা চিক্লা পানবগা লোয়ননা মচিন মনাও অহুমসি ময়ূম পাল্লবা ফাওবদা চাকখুম পূন্না চামিন্নবা ওইহনবীয়ু।

মতম খরা লৈরগা নিখিল লুহোংলে, ইতৈমদু ইনাক কৈরাক খুনবা ইমুংগী নিঙোলনি। লুহোংবদু চাউনা পাঙথোকখি। মীয়াম্নসু য়াম্না থাগৎনখি। ইতৈমসু য়াম্না ফৈ অদুবু ইমুংগী থবক্তি করিমত্তা হৈতে... ইমুংগী থবক্তি ইমানা নৎত্রগা মনাও ঐখোয় অনীদা তারে। ইনাও অতোম্বসু পাখঙ ফারে, লাইরিক্তি হৈতে অদুনা ইয়াম্বনা মাগীদমক ইলেক্ট্রিক্কী পোৎ-চৈ য়োন্নবা দুকান মচা অমা হাংবিরে। ঐসু থবক তৌদ্রি, এম এসু লোইশিন্দ্রি অদুবু পাখঙ ফারক্লবনিনা লুহোংবগী ৱাফম কয়া লাক্লি।

ঐনা খল্লি করি তৌবা তাই? ইমুংদা মপূং ওইনা শেল থোক্লিবসি ইয়াম্বা অহলতনি... অতোনবসু পৈশা তানববুদি তাল্লি, ঐ ইথন্তা ঙাইরে পৈশা থোক্ত্রিবসি...। নোংমদি ঐনা ইয়াম্বদা অতোম্বা লুহোংনবগী ৱা হায়রম্মী, ঐদি হৌজিক-হৌজিক্তি য়ূম পানবগী ৱা খন্দ্রি, ইশা ইথন্তা ফাওবা লেপচবা ঙমদ্রি।

ইমানা থুনা খুল্লকই, 'করিনো ইবুংঙো, নঙনা হায়রিসিবো, অতোম্বনা অহলদগী হান্না লুহোংবা য়াব্রনে?' অদুবু ঐনা ফজনা হায়বদগী ইয়াম্বা অমদি ইমাদু য়ারে। নুমিৎ খরনিগী মতুংদা অবিনাশ লুহোংলে। মৌ অতোম্বীদু মরম য়াম্না মোকই... ইমুংগী থবক ইনখাং য়াম্না হৈ। হৌজিক্তি ইমা অমসুং ইতৈমসু চাকখুম থবক্তা অৱাবা লৈত্রে অদুদা নত্তনা ইমুং পূন্বগী ফিরোল শুরগা কোনয়াই তক্তুনা থম্মী। মরকসিদা ইয়াম্বগী মচানুপা অনী, নুপী অমা লৈরে। ইতৈমদা অরানবা ৱাখল অমা লৈখ্রে মদুদি পূন্নমক ঐগী ইপুরোইবগী মরল ঙাক্তনি, ঐনা করি তৌবগী থবক শুজরুনি? ইমুংগী থবক ইনখাংদি মৌ অতোম্বী নৎত্রগা ঐ...।

ঐ ইশাসি মরাল লৈরবগুম খঞ্জরকপা ফাওই - মোইগী মরাল করিনো? ইনাক-কৈরাক খুনবা ইমুংগী নিঙোল ইতৈমা অমদি ইয়াম্ববু কিবা ফাওই। হৌজিক্তি ইমা নত্তনা অতৈগা ৱা কয়া ঙাঙনদ্রে। অদুবু, ইয়াম্বগী মচাশিংদুদি য়াম্না নুংশি অদুনা মখোয়দা ৱারী কয়া লীবি।

ঐদি অয়াম্বা মতমদা য়ূমদা লৈতে, থবকসু থিরি। ইমাদি মাগী মহৌশাগী হৈনবীদু অদুম তৌরি, তুমিন লৈবা, অরানবা তৌরকপা মতমদা মাগী অপাম্বা ফোঙদোকপা মদুদা য়াবা নৎত্রগা য়াদবা হায়বসি ঐখোয়গী মখা পোল্লে। মরকসিদা ঐনা কন্না হোৎনজবা অমদি ইমাগী থৌজালদগী দিল্লিদা কেন্দ্র সরকারগী বিভাগ অমদা থবক অমা ফংলে। হৌজিক্তি থা খুদিংগী পৈশা তুংশিল্লগা ইমুংগী খরচকীদমক ইমাদা শিন্নে। মসিদা ইতৈমনা শাউই, সৌরভকী পৈশাদু ময়াম্বদা পীফম থোকপনি, থা খরা লৈরগা ৱাফমসি নিখিলনা সৌরভতা হায় ... সৌরভ নঙগী তলবতু ঐঙোন্দা পীয়ু, ঐনা ইমুংগী অহলনি। অদুবু ঐনা খঞ্জে ইমুংগী খ্বাইদগী অহলদি 'ইমা' নি অদুনা ঐনা ঐগী অপাম্বদু হোংলমদে, হান্নগুম ঐনা তুংশিনবা পৈশাদু ইমাদা পীশিল্লি। মরমদি এঙ্গাং-নাপী লৈবা তারবসু ইতৈমদগী পৈশা নিবা তাই। ইতৈমনা ইমাদা পৈশা পীবগী মওংদু উবদা থম্মোয় শোকই অদুবু মতমদুদদি ঐ উপায় লৈরমদে। অদুবু হৌজিক্তি ঐনা পীরবনিনা মা কন্নাদগীসু পৈশা নীররোই।

ঐগী য়ূম পান্নবা ময়াম্না য়াম্না তকশিল্লক্লি অদুবু ঐনদি য়ূম পাল্লরোই হায়না লেপখ্রে। অমরোমদা ঐগী তলবসু য়ামদে অদুগা অতোম্বসু দুকান তোক্লে, পৈশা থোক্ত্রে। অতোম্বনা পৈশা ফজনা থোকপা থবক তৌদ্রিঙৈদা ঐনা য়ূম পানবা হায়বসি অরানবা থবকনি, অদুগা ঐগী থম্মোয়দা মমিং চৎলবা অইবা মুন্সি প্রেমচান্দঁগী ৱাফম অমা নীংশিংদুনা লৈরি "ইমুং অমা চাওখৎহনগে হায়রবদি ইমুংগী মীওই অমনা কখোকপা তাই, খুন্নাই অমা চাওখৎহনগে হায়রবদি য়ূম থাদোকপা তাই অদুগা অরান খুভম পাল্লবদি ময়াগী সংসার থাদোকপা তাই।" ঐ অদুক য়াম্না লুবা ৱাফমদি খনবা ঙমদে অদুবু ইমুংগী ফীভম নীংথিনা লৈহনবা পাম্মী। অদুবু মতমদি অহোংবা নাই, ইতৈমনা তোঙান চানবা ইয়াম্বদা ইনশিল্লি... ইয়াম্বনা ইমাদা খোল অকনবা শীজিন্নদুনা ঙাঙই...। ঐনা য়ূম চৎপা মতমদা ৱারী পূন্বা খঙলে। নুমিৎতুদা অহানবা ওইনা ইয়াম্বদা হঙ্গৎনা ৱা ঙাঙখি... দাদামক্লা ইমাবু ... অদুবু মানা তৌরিবা অরানবদুগী ... ইকায়গেদি হায়দ্রদনা মানা ঐবু চৈরকখি ... অদুদগী ঐনা হায় ... ঐখোয়সি নহাক্কীনি হায়বদা মতিক চাদ্রবদি ঐখোয়দগী তোঙান্না লৈবীরো। অদুগা ইপানা থনম্বা মরল-মথুমদা নহাক্লা অহলনিনা হক য়াম্না লৈ, অপাম্বা পূন্বা লৌবীখ্রো। ঐ পূন্নমক খাঙবা ঙম্মী অদুবু ইমাবু উশিৎতবদি খাঙবা ঙমদে, নুমিৎতুদগী ঐখোয়গী চাকখুম তোঙান্নরে।